# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-03-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৬-০৩-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙান্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) আউতর অমসুং ইন্নর মনিপুর লোক সভা মীখলগীদমক মীওই অনি খক্তমক মীরেপ চে পিশিল্লকখ্রে।

২) রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি সরকারনা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা সি.পি.আইনা দাবী তৌরি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস জয়শঙ্করনা শিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি লিসেনলুংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱারি শান্নখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**মীরেপ(এল) ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনবা নাগা পিপলস ফ্রান্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিক্কী মীরেপ চে ঙরাং পীশিনখ্রে। মনিপুর ফিল্মগী লমদা শকাইরবা এক্তর মীয়ামা কাইকু হায়না খঙনবা আর.কে সোমেন্দ্রোনা মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি)গী টিকেত্তা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামন্তেরি কন্সর্টিটুয়েন্সিগীদমক মীরেপ চে পীশিনখি। এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তোমোথি জিমিকনা মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসর ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মীস্নর থৌবালগী ওফিসতা লাক্তুনা মহাক্কী মীরেপ চে অদু পীশিনখি। মীরেপ চে পীশিনবা অদুদা রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এ রাম মুইভা অমসুং এন.পি.এফকী অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, আর .কে সোমেন্দ্রোনা মনিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা এম.পি.পিগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর ওফিসতা লাক্তুনা মীরেপ চে পিশিনখি।

রাজ্য অসিগী ওইনা লোক সভা মীখল অসি তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকবা শেম শাবগী থবক কন্না চথরি। মীখল অসিগী মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম অসি থা অসিগী ২৭ নি অদুগা স্ক্রুতিনিনা থা অসিগী ২৮ দনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সরকার পায়রিবা ভারত্যা জনতা পার্টিগী মীরেপ কনানা ওইগদগে হায়বদু লাউথোকপা লৈত্রি। অথুবা মতমদা খঙল্লবা য়াই হায়রি। অমরোমদা বিরোদি দল কংগ্রেসনা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিদা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোয়জম অমসুং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিদা হান্নগী এম.এল.এ অলফ্রেদ কাঙম অথর থাদোকবা থৌরাং তৌরি।

**ওবর্জাবর(এল)ঃ** ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিগী এক্সপেন্দিচর ওবজার্বর ওইরিবা প্রদুমান বদারিপ্রসাদ মীনানা সভাপতি ওইদুনা নোদেল ওফিসরশিং য়াওবা মীফম অমা ঙরাং লম্ফেলপাৎতা লৈবা দি.সি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা মীখলগা মরী লৈনবা এক্সপেন্দিচর শ্রী বদারিপ্রসাদ মীনানা য়েংশিনগনি। মীফম অদুদা জিলা অসিদা মীখলগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবকশিং ফ্লাইং স্কুৱাট, ভিদিও সর্ভিলেন্স টিম, মীদিয়া মোনিতরিং কম্মীতি অমসুং ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর কম্মীতি শেম্বনচিংবগী মতাংদা এক্সপেন্দিচর ওবজার্বর অসিনা ৱাফম কয়া থমখি।

**সি.পি.আই (এল)ঃ** সি.পি.আই মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা সেফ মনিপুর সেফ হ্যুমেনিতি হায়বা হিরম অসিদা খন্না নৈনবা মীফম অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথাবল কেন্দ্রদা পাঙথোকখ্রে। মীফমদুদা ৱা ঙাংবদা দল অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল. থোইরেননা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি সরকারনা ৱারোইশিন পুরকবা দল অসিনা খোংজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। লৈঙাকা ইরাং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা ময়ুম মকৈ লৈত্রবশিং, লঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি।

মহাকা হায়- সি.পি.আইগী পান্দমদি সাইনতিফিক সোসিয়েলিজমনি ।মসি ফংনবা দল অসিনা হনবা নাইদনা থেংনগনি হায়বা ৱাফম মহাকা ফোংদোকখি। অমরোমদা, সি.পি.আই কেন্থৌজম লোকেল কাউন্সিলনা কেন্থৌজম কেন্দ্রগী লম্বীশিং অথুবা মতমদা কোইলা থাবা লোইশিন্নবা অমদি অৱাং জিরি ৱাটর সপ্লাই স্কিম শাবা লোইশিন্দুনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা থকবা ঈশিং পীননবা দাবী তৌরি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস জয়শঙ্করনা ঙরাং শিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি লিসেনলুংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা ইন্দো পেসিফিক অমসুং ৱেষ্ট এসিয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। নুমিৎ হুমনিগী খোংচৎতা শ্রী জয়শঙ্কর শিঙ্গাপুরদা চৎপনি। মহাকা শিঙ্গাপুরগী মপান থৌরম মন্ত্রি বিবিয়ান বলাকৃষ্ণনগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নখি।

**করনাতক্কাঃ** করনাতক্তা লোক সভা মীখলগা মাঙওইননা কে.আর.পি.পিগী লুচিংবা জি জরনাধন রেদ্দি বি.জে.পিদা ঙরাং য়াওখ্রে। মহাকপু বি.জে.পি করনাতক প্রদেসকী প্রসিদেন্ত বি.ৱাই বিজায়েনদ্রা অমসুং বি.এস রেদিয়ু রপ্পানা হরাও তয়ামা ওকখি।

**তেরোরিজম ঃ** ভারতনা পাকিস্তানবু তেরোরিজম শৌগৎলি হায়দুনা মরাল শীরদুনা ইস্লামাবাদতা ঙমখৈ লাননা জম্মু কস্মীরদা তেরোরিস্ত এতেক চখবা লেপবা খঙহনগদবনি হায়না জেনেভাদা পাঙথোকখিবা য়ুনাইতেদ নেসনসকী ১৪৮ শুবা ইন্তরপার্লিয়ামেন্তরি য়ুনিয়নগী মীফমদা ফোংদোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চিরমেন হারিবন্সনা হায়- মতম কয়াগী মমাংদগী ইস্লামাবাদনা তেরোরিস্তশিং শৌগৎপা অমসুং মতেং পাংবগী থবক চখদুনা লাক্লি। মহাকা হায় - য়ু.এন সেক্যুরিতি কাউন্সিলনা আইননা য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকখিবা তেরোস্তি কয়া পাকিস্তাননা শৌগৎপগী ৱাফম কয়া লৈখ্রে।

মালেমগী কীনিংঙাই ওইরবা তেরোস্তি ওসামা-বিন-লাদেনসু পাকিস্তানদা ফংখিবনি। শ্রী হারিবন্সনা হায়- জম্মু কস্মীর অসি লৈবাক অসিগী তৎনা থান্নবা য়াদ্রবা শরুক অমনি অমসুং মসি কনাগুম্বা মীওইশিংনা অরানবা পান্বৈনা মাংহনবা ঙম্লোই।

**দিল্লিঃ** ইষ্ট দিল্লিগী মন্দাৱালি এরিয়াদা ঙরাং হোলি কুম্মৈ পাঙথোকপদা মীওই ৬ হায়-টেনসন ৱাইয়রদা মৈনা চিংবদগী শোক্লে। মীওই ৬ অদুগী মনুংদা নুপী অমা য়াওনা মীওই অহুমগী ফীভম লুননা লৈরি। থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা পুলিস , এম্বুলেন্স অমসুং ফাইয়র ব্রিগেদকী মীওইশিং খুদক্তা চংশিন্দুনা অশোকপশিং অদু সবদরজং হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কৎনখি।

**য়ু.এনঃ** য়ু.এন সেক্যুরিতি কাউন্সিলনা ঙরাং অহানবা ওইনা গাজাদা ইজরেল অমসুং পেলেটাইনগী হমাস কাংবুশিংগী মরক্তা খুদক্তাগী সিজ ফাইয়র তৌনবা অমসুং মীওই পুমমক কন্দিসন য়াওদনা থাদোকবা ৱারেপ লৌখ্রে। হিরম অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৪ না শৌগৎখি। অদুম ওইনমক ইজরেলদা খ্বাইদগী চাউনা তেংবাংপিরিবা আমেরিকাদি ভোট থাদবা য়াওখিদে। য়ু.এনদা আমেরিকাগী এম্বেসেদর ওইরিবা লিনদা থোমাস গ্রিনফিল্ডনা নাকন অনিমক্কী মরক্তা সিজ ফাইয়র তৌনবা হোৎনবদা হামাসনা থীন্থহল্লি হায়না ফোংদোকখি। নিংশিংবা য়াই মমাং চহিগী ওক্তোবর ৭ তগী য়ু.এন সেক্যুরিতি কাউন্সিলনা ইজরেল অমসুং হামসকী লান অসিগী মতাংদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা অমাং অতা থোক্লবা গাজা স্ত্রিপ্তা তেংবাং পীনবা ৱারেপ ৮ গী মনুংদা অনি খক্তমক পাস তৌবা ঙমখিবনি।

**কোস্ত গার্দঃ** ইন্দিয়ান কোস্ত গার্দনা পোলবন্দরদগী কিলোমিতর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা মিটসিদা ঙা ফাবা মীওই ৫ ঙরাং কনবা ঙমখ্রে। ঙা ফাবা মীওইশিং অদু মখোয়না তোংলিবা হি অদু ইরাক্সগী পাউ ফংবদগী ইন্দিয়ান কোস্ত গার্দকী জাহাস সি-সিক্সসতিন খুদক্তা খুদোংথিবা নংলবা মফম অদুদা থৌজিনখি অমসুং ঙা ফাবা মীওইশিং অদু তেক্তা কায়দনা কনবা ঙমখি।

**মেট ঃ** মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি - অরুনাচল প্রদেশ , অসাম, মেঘালয়, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গালগী সব হিমালায়নগী জাগাশিংদা হয়েং ফাওবা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। জম্মু কাস্মীর ,লাদাক, গিলগিট, বালটিস্তান, হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরখানদা ইরাহ নুমিৎ ফাওবা ময়াই ওইরপ্লা চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক হৌজিক ঙাংবম অমুখোম্বা লৈরে--**

**--অমুখোম্বা--**

**থাগৎচরি অমুখোন্বা----**

**----অরোইবদা মরু ওইবা পাউ অমুক---**

১) আউতর অমসুং ইন্নর মনিপ্‌র লোক সভা মীখলগীদমক মীওই্‌ অনি খক্তমক মীরেপ চে পিশিল্লকখ্রে।

২) রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি সরকারনা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা সি.পি.আইনা দাবী তৌরি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস জয়শঙ্করনা শিঙ্গাপ্‌রগী প্রধান মন্ত্রি লিসেনলুংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱারি শান্নখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ঙাস্থোই

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা ইম্ফালদা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। অদুমকপু চীংগী জিলাশিংদদি পাউচেশিং ফোংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা - লোক সভা মীখলদা কুকি জো ফরুপকী মীরেপ থাদোক্তনবা ফীরেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদা নাগা পিপলস ফ্রন্টকী মীরেপতা এন.পি.পি.না শৌগৎখ্রে। এন.পি.এফকী মীরেপ কচুই তিমোথি জিমিক মীরেপ চে পিশিনখ্রে হায়বা পাউশিং পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - আউতর অমসুং ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সি অনিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই অনি খক্তমক মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। বার্মা রিফিউজি কম্মীতি কাবো ভেল্লিনা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবশিং মিলিটরিদা নম্ফুদা য়াওহন্নবা অমদি হ্যুমেন সিল্ড ওইনা শিজিন্নরকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা মখোয়বু মনিপুরদগী লৈবাক অদুদা হলহনবিদনবা মনিপুরদা সরকারদা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিল হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - অঙ্গামি পিপলস ওর্গনাইজেসননা অঙ্গামিগী এরিয়াদা লৈরিবা মাও মচাশিং চৎখিনবা খঙহনখিবা অলটিমেতম হন্দোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেলাইন তৌতুনা ফোংলি। লোক সভা মীখলদা কুকি জো ফুরুপকী মীওইশিং শরুক য়াদনবা ত্রাইবেল বোদিনা খঙহনখ্রে হায়বগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। হান্নগী এম.এল.এ ডা: বি এলেকজেন্দর পাউনা গোসপেল ওলেম্পীক হৌদোকখ্রে। আউতরদা এন.পি.এফকী মীরেপ্তা এন.পি.পিনা শৌগৎখ্রে। চয়েৎনবা লৈরিবা লমদা পুলিস আউট পোস্ত নৌনা থমবা অয়াবা লৈতে হায়বা পাউশিং অসি অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

**--ঙাল্হৌই-**